# মিরাবাইনা অনেম্বা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা ১১শুবা মফমদা লৈখিবদগী মেদলগী আশা মাঙখি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৭ ঃ

ইন্দিয়াগী সাইখোম মিরাবাই চনুনা রিও ওলেম্পিক্সতা অনেম্বা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা নুপীগী কে জি ৪৮ গী কাঙলুপতা মহাক্কী অপুনবা ৱেঠ অদু থাঙ্গৎপা ঙমখিদবদগী তরামাথোইশুবা মফমদা লৈখিদুনা ইন্দিয়াগী মেদলগী আশা তৌখিবা অদু কায়খ্রে।

লিফটর ১২ না শরুক য়াখিবা কম্পিটিসন অদুদা মপুং ফানা মখোয়গী কম্পিটিসন অদু লোইশিনবা ঙমখিদবা লিফটর অনীগী মনুংদা মিরাবাইসু অমা ওইখি।

মিরাবাইনা ক্লিন এন্দ জর্গকী অহানবা এটেম্পতা কে জি ১০৪ থাঙ্গৎপা ঙমখিদে। মখা তানা এটেম্প অনীরক্তা মহাক্না কে জি ১০৬ থাঙ্গৎনবা হোৎনবদসু মায় পাকপা ঙমখিদে। মহাক্কী অনীশুবা অমদি অহুমশুবা এটেম্পতা ইন্দিয়ন অসিনা মহাক্কী থাঙ্গৎকদবা ৱেঠ অদু থাঙ্গৎপা ঙমদনা তোকখি। অদুবু মহাক মশাগী ক্লিন এন্দ জর্গতা খ্বাইদগী ফবা লিফটতি কে জি ১০৭ ওইরিবনি।

অরুম্বা থাঙ্গৎনবগী খুদোংচাবা তরুক পীবগী মনুংদা অহুম অমনা স্নেচতা অমদি অহুম অমনা ক্লিন এন্দ জর্গতা ওইরি। মসিদা মিরাবাইনা অমুকখক্তমক থাঙ্গৎপা ঙমখি।

স্নেচতা মিরাবাইনা অহুম্লক থাঙ্গৎনবগী খুদোংচাবা পীরিবা অদুগী মনুংদা মহাক্কী অনীশুবা এটেম্প অদুখক্তমক থাঙ্গৎপা ঙমখি। মহাক্না মহাক্কী অহানবা এটেম্পতা কে জি ৮২ থাঙ্গৎনবা হোৎনখিবদা ঙমখিদে। অদুবু মহাক্কী অনীশুবা চান্সতদি দেশা-উপায় তৌদুনা থাঙ্গৎখি। অদুম ওইনমক মহাক্কী অহুমশুবা এটেম্পতা কে জি ৮৪ থাঙ্গৎনবা পীখিবদা ঙমখিদে। কম্পিটিসন অসিদা শরুক য়াখিবা কম্পিটিটর ১২ গী মনুংদা স্নেচতা মহাক্না তরুকশুবা মফমদা লৈখি।

মশাগী চহী ২১ শুরবী লিফটর অসিনা হৌখিবা জুন থাদা পাটিয়ালাদা পাঙথোকখিবা সেলেক্সন ট্রাইয়েলদা উৎখিবা পার্ফোর্মেন্স অদু রিওদা পীবা ঙমখিদে। ট্রাইয়েল অদুদা মহাক্না মশাগী রেকোর্দ ওইনা স্নেচতা কে জি অমা হেঙ্গৎনা অপুনবা কে জি ৮৫ থাঙ্গৎখি অমদি এন কুঞ্জরাণি দেবী (কে জি ১০৭) না ক্লিন জর্গতা থাঙ্গৎখিবা রেকোর্দ অদুগা মান্নখিবনি। মিরাবাইনা মহাক্কী মশাগী খ্বাইদগী ফবা ওইনা অপুনবা কে জি ১৯২ থাঙ্গৎখিদুনা এন কুঞ্জরাণিনা চহী ১২ চুপ্পা কে জি ১৯০ থাঙ্গৎতুনা থল্লকখিবা রেকোর্দ অদুসু থুগাইখিবনি।

মিরাবাইনা কম্পিটিসন অদুগী ক্লিন এন্দ জর্গতা মহাক্কী অহানবা এটেম্প ওইনা কে জি ১০৪ থাঙ্গৎনবা হোৎনখিবদা ঙমখিদে। অনীশুবা এটেম্পতা মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী ফজবা লিফট অদুদগী কে জি অমা তাথরগা কে জি ১০৬ থাঙ্গৎনবা হোৎনখিবদসু থাঙ্গৎপা ঙমখিদে।

মহাক্না অহুমশুবা অমদি অরোইবা লিফটসু কে জি ১০৬ থাঙ্গৎনবা হোৎনখিবদা ঙমদনা তোকখি। লিফট অহুম্লক থাঙ্গৎপা ঙমখিদবা অদুনা মহাক্কী অরোইবা স্কোর অদু লৌদনা তোকখি। চহী ১৬ কী মমাঙদা পাঙথোকখিবা সিদনি ওলেম্পিক্সতা করনম মালেশ্বরিনা নুপীগী ৱেঠলিফটিংদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অদুগী মতুং রিওদা ইন্দিয়ানা মেদল লৌগনি হায়না চাউনা থাজবা লৈখিবা অদু অরেম্বা তাখি।

কম্পিটিসন অদুদা থাইলেন্দগী সোপিটা টশনাসাননা অপুনবা কে জি ২০০ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল লৌখি অমদি সিলভর মেদলনা ইন্দোনেসিয়াগী লিফটর ওগষ্টিয়ানিনা অপুনবা কে জি ১৯২ থাঙ্গৎতুনা লৌখি। জপানগী মিয়াফেনা অপুনবা কে জি ১৮৮ থাঙ্গৎতুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি।

# ইন্দিয়াগী শুটিং, টেবল টেনিস, টেনিসতা মায়থীবা নংখ্রে, রোৱিংনা মায় পাক্লা চঙশিল্লি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৭ ঃ

রিও দি জানৈরোদা চথরিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী শুটর অয়োনিকা পাউল অমদি অপুরভি চান্দেলানা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিদবদগী মেদল লৌগনি হায়না আশা তৌখিবা অদু অরেম্বা তাখ্রে।

মফম অসিগী ওলেম্পিক শুটিং সেন্টরদা থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা অপুরভি চান্দেলানা অপুনবা পোইন্ট ৪১১.৬ লৌবা ঙমখিদুনা ৩৪ শুবা মফমদা লৈখি। অদুগা অয়োনিকা পাউলনা পোইন্ট ৪০৭.০ লৌদুনা ৪৩ শুবা পোজিসন্দা লৈখি।

চিনাগী লি দুনা কম্পিটিসন অদুদা ওলেম্পিক রেকোর্দ থমদুনা অপুনবা স্কোর ৪২০.৭ তৌখিবগা লোয়ননা ফাইনেল রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি। ফাইনেল রাউন্দগীদমক শুটর ৮ না ক্বালিফাই ওইখি।

জর্মনিগী বার্বরা ইঙ্গলেদরনা পোইন্ট ৪২০.৩ ফংদুনা অনীশুবা, ইরানগী ইলাহে অহমদিনা অপুনবা পোইন্ট ৪১৭.৮ ফংদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

কুমজা ২০১৪ গী গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসদা অপুরভি চান্দেলানা গোল্ড অমদি অয়োনিকা পাউলনা সিলভর মেদল ফংখিবনি।

হায়রিবা ইভেন্ট অসিদা রসিয়ন শুটর অমা, অমেরিকাগী অনী, ক্রোসিয়াগী অমা অমদি চিনাগী শুটর অমনা টোপ নিপানগী লিষ্টতা য়াওবা ঙমখি।

**টেবল টেনিস :** রিও ওলেম্পিক্সকী টেবল টেনিসকী নুপীগী সিঙ্গলস কম্পিটিসনগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ইন্দিয়াগী মৌমা দাসনা অহানবা রাউন্দদা রোমানিয়াগী দানিলা দোদিন মেন্টেরোগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা কম্পিটিসন অসিদগী ঙন্না মপান থোকখ্রে।

ৱর্ল্ডগী ১৫০শুবা রেঙ্কিংদা লৈরিবী মৌমা দাসনা রেঙ্ক ৫৮ শুবদা লৈরিবা দানিলা দোদিন মোন্টেরোগী মখুৎতা ২-১১, ৭-১১, ৭-১১, ২-১১ দা মায়থীহৌখি। মশাগী চহী ৩২ শুরবী মৌমা দাসনা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স ওলেম্পিক গেমসদা অহানবা ওইনা শরুক য়াখ্রবা মতুং চহী ১২ লৈরগা রিও ওলেম্পিক্সতা মহাক্কী অনীরকশুবা ওইনা শরুক য়াখিবনি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচতা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ারিবী ইন্দিয়াগী মনিকা বট্রাসু ৱর্ল্ডগী ৬০শুবা রেঙ্কতা লৈরিবী পোলেন্দগী গ্রিবোস্কা বাটারিজিনাগী মখুৎতা ২-৪ (১২-১০, ৬-১১, ১২-১৪, ১১-৮, ৪-১১, ১২-১৪) দা মায়থীহৌদুনা গেমস অসিদগী মপান থোকখি।

**রোৱিং :** রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা রোৱিংগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা ইন্দিয়াগী দাটু ভোকনালনা নুপাগী রোৱিং সিঙ্গল স্কলসতা অহুমশুবা পোজিসন তাখিবদগী ক্বার্টর ফাইনেল চঙবা ঙমখ্রে।

রোৱিংগী নুপাগী সিঙ্গল স্কলসকী অহানবা রাউন্দদা অর্মিমেন ভোকনালনা মিটর ২০০০ গী রেসতা ৭:২১:৬৭ সেকেন্দদা হোন্দুনা ক্যুবাগী এঞ্জেল ফোনির্য়র রোদ্রিগ (৭:০৬:৮৯ সেকেন্দ) অমদি মেক্সিকোগী জ্বান কার্লেস কাব্রেরা (৭:০৮:২৭ সেকেন্দ) গী হেক মথংদা অহুমশুবা মফমদা লৈরি।

মশগী চহী ২৫ শুরবা ভোকনালনা রেস অদুগী অহানবা মিটর ৫০০ ফাওবদি অনীশুবা মফমদা লৈবা ঙমখ্রবসু মেক্সিকোগী রোৱর অদুনা মিটর ৭০০ য়ৌরকপা অদুদগী হেঙ্গৎখিদুনা ভোকনালদগী মাঙজিল থানা চৎখি। অরোইবা পন্থুংফমদা ক্যুবাগী এঞ্জেল ফোনির্য়র রোদ্রিগনা হান্না থুংখ্রবা মতুং মেক্সিকেগী জ্বান কালোর্স কাব্রেরানা অনীশুবদা থুংখি। ইন্দিয়াগী ভোকনালনা অহুমশুবা ওইনা পন্থুংফম য়ৌদুনা ক্বার্টর ফাইনেলগীদমক খুমাঙ চাউশিনখি।

**টেনিস :** ইন্দিয়াগী মেদল লৌগনি হায়না চাউনা থাজবা থমখিবা ভেটরান লীএন্দর পেস অমদি রোহন বোপানানা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপাগী দবলস ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট্ট অমদি মার্সিন মাটকোস্কিগী মখুৎতা ৪-৬, ৬-৭(৬) তা মায়থীহৌদুনা গেমস অসিদগী ঙন্না মপান থোকখ্রে।

ওলেম্পিক টেনিস কোর্টতা শান্নখিবা মেচ অদুদা ইন্দিয়ানা মায়থীহৌখিবা অদুনা গেমস অসিদা গেমস অসিদা মেদলগী চাউরবা আশা অমা থমখিবদু অরেম্বা তাখি।

লীএন্দর পেসনা রিও ওলেম্পিক্সতা মহাক্কী তরেৎলকশুবা ওইনা শরুক য়াদুনা মালেমগী অহানবা টেনিস শান্নরোয় ওইবগী পুৱারীসু শেল্লিবনি।

# ব্রাজিলনা স্বিদেন, য়ু এসনা ফ্রেঞ্চ, চিনানা সাউথ অফ্রিকা, কনাডানা জিম্বাবৱেবু মায়থীবা পীখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৭ ঃ

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী কেপ্টেন কার্লি লিয়োদনা চনখিবা গোলনা মফম অসিদা চথরিবা নুপী ফুটবোলগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা ফ্রেঞ্চপু ১-০ দা মায়থীবা পীখ্রে। অদুগা য়ুম্বু ব্রাজিলনা স্বিদেনবু ৫-১ দা মায়থীবা পীখি।

য়ু এস অমদি ফ্রেঞ্চ অনীগী মেচ অদুদা টিম অনীমক্না কৃক কৃক ইন্ননা শান্নরকখি। য়ু এসগী মশক থোক্লবা কেপ্টেন লিয়োদনা মেচকী মিনিট ৬৩ চৎপা মতমদা অনকপা মফমদগী কাউশিনখিবা বোল অমনা গোল ওন্থোকখি।

ফ্রেঞ্চনা মেচকী অঙনবা মতমদা তৌখিবা এটেক অমদা টিম কেপ্টেন ৱেন্দি রেনার্দনা ফজরবা হেদিং অমা তৌশিনখিবদা বারদা পানখিদুনা গোল চল্লম্বা য়াবা খুদোংচাবা অদু মাংখি। অদুবু মহাক্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা অনীরকশুবা ওইনা চনগদবা গোল অদু অথিংবা পীখিবদগী গোল মার্জিন ৱাংনা মায় পাকহনখিদে।

ফ্রেঞ্চনা গোল ইক্বেলাইজ তৌননবগীদমক মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা অকনবা এটেকশিং তৌদুনা চঙশিনখি। অদুবু কান্নবদি ফংখিদে। য়ু এসসু মখা তাবা গোলশিং চন্নবগীদমক ফ্রেঞ্চকী মায়কৈদা চঙশিনখ্রবসু গোল ওন্থোকপা ঙমদনা ১-০ দা ফ্রেঞ্চপু মায়থীবা পীখি।

গ্রুপ জিগী টেবলদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পোইন্ট ৬ ফংদুনা খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখ্রে অদুগা ফ্রেঞ্চ অমদি ন্যু জিলেন্দনা মতুং ইন্নরি। ন্যুজিলেন্দনা মহাক্কী ফংখিবা মেচতা কলম্বিয়াবু ১-০ দা মায়থীবা পীখিবনি।

মেচ লোইরবা মতুং ফ্রেঞ্চকী কোচ ফিলিপ বর্জেরূদনা হায়খি, সেকেন্দ হাফকী অহানবা মিনিট ২০ ফাওবা য়ু এসনা ঐখোয়গী মায়কৈদা অকনবা প্রেসরশিং পীদুনা শান্নরকখি। অদুবু ঐখোয়না মখোয়গী প্রেসরশিং অদু নীংথিনা পায়শিন্দুনা শান্ননবা হোৎনখি।

লাইবকথীবদি ঐখোয়না গোল চনবা য়াবা খুদোংচাবশিং ফংখি অমদি গোল চনবদি ঙমখিদে। অদুম ওইনমক ঐখোয়না মায়োক্লখিবা টিমগী মায়কৈদা চঙশিনখিবা টেক্টিক্স অদু মশক থোকপা অমা ওইখি।

য়ু এস অসি ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি হৌজিক ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়নসু ওইরিবনি হায়বা কাওবা লৈতে। অদুবু লাইবক থীবনা ঐখোয় মায়থীহৌখি হায়না মখা তানা মহাক্না ফোঙদোকখি।

হৌজিক য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা ব্রাজিলদা মিৎয়েং থল্লি। ব্রাজিলনা স্বিদেনবু মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ ঈগী খ্বাইগী মকোক্তা লৈরিবনি। ব্রাজিলনা মখোয়গী ফংখিবা মেচ অনী মায় পাকখি। ব্রাজিলনা হৌজিক পোইন্ট ৬ ফংদুনা চৎলিবনি।

অতোপ্পা মেচ অমদা ব্রাজিলনা স্বিদেনবু ৫-১ দা মায়থীবা পীদুনা মথং রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখ্রে।

ব্রাজিলগী বীট্রিজ, ক্রিষ্টিয়ানে অমদি মার্টানা মশক থোক্না ফার্ষ্ট হাফতা গোল অহুম অমদি মেচ লোইগদবা মিনিট ১০ গী মনুংদা মার্টা অমদি বীট্রিজনা গোল অনী অমগা চনখি।

স্বিদেনগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু লোট্টা স্কেলিননা লোইগদবা মিনিট ২ ৱাৎলিঙৈদা চনশিনখি।

ব্রাজিল অমদি স্বিদেন অনীনা মাগী মাগী মায়োক্লখিবা সাইদতা অকনবা এটেক তৌদুনা গোল চন্ননবা তকখৎনরকখি। ব্রাজিলনা অয়াম্বা মতমদা বোল পায়দুনা শান্নরকখিবনা মেচ অদু দোমিনেট তৌনা চৎখি। হনবা লৈতনা ব্রাজিলনা স্বিদেনগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা ব্রাজিলগী প্লেয়র বীট্রিজ, ক্রিষ্টিয়ানে অমদি মার্টানা থংন-থংননা গোল অমমম চনখিদুনা ৩-০ দা মাঙজিল থানা চৎখি। স্বিদেনসু গোল ইক্বেলাইজ তৌনবগীদমক ব্রাজিলগী মায়কৈদা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু ফার্ষ্ট হাফ ফাওবদি গোল অমত্তা চনবা ঙমদনা লৈখি। সেকেন্দ হাফতা ব্রাজিলনা স্বিদেনগী মায়কৈদা তৌখিবা এটেক্তা মার্টা অমদি বীট্রিজনা গোল অমমমগা চনশিনখিদুনা ৫-০ দা লৈখ্রবা মতুং স্বিদেনগী লোট্টা স্কেলিননা গোল অমা মেচ লোইগদবা কুইদ্রবা মতমদা চনশিনখিদুনা ১-৫ দা ব্রাজিলগী মখুৎতা মায়থীদুনা লৈহৌখি।

গ্রুপ ঈগী অতোপ্পা মেচ অমদা চিনানা সাউথ অফ্রিকাবু ২-০ দা মায়থীবা পীখি। চিনাগী অনীশুবা গোল অদু য়ার্দ ৪০ দগী কাউশিনখিবা মশক থোক্লবা বোল অমনা গোল ওন্থোকখি। গ্রুপ অসিদা চিনানা পোইন্ট ৩ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখ্রে।

অতোপ্পা মেচ অমদা কনাডানা জিম্বাবৱেবু ৩-১ দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপ এফকী খ্বাইদগী মকোক্তা লৈখ্রে। কানাডাগী গোল অহুম অদুগী মনুংদা গোল অনীদি জেনিনে বেকিনা ফার্ষ্ট হাফতা চনখি। জিম্বাবৱেগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদুনা মাভিস চিরান্দুনা চনখি।

রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা অতোপ্পা মেচ অমদা জর্মনিনা ওষ্ট্রেলিয়াগা গোল ২-২ দা দ্রো চৎখ্রে। দ্রো চৎখিবা অদুনা জর্মনিনা পোইন্ট ৪ ফংবা ঙমদুনা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখ্রে। সাউ পাউলোদা পাঙথোকখিবা জর্মনি অমদি ওষ্ট্রেলিয়াগী মেচ অদুদা টিম অনীমক্না অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখি। টিম অনীমক্না গোল ২-২ চন্নদুনা লৈখিবদগী মায় পাক্লবগীদমক অহেনবা গোল চন্ননবা তকখৎনরকখ্রবসু চন্নবা ঙম্নখিদবদগী দ্রো ওইদুনা লোইশিনখি।

# সানিয়া-থোম্বারেনা অহানবা রাউন্দদা মায়থীখ্রে

## ৱিল্লিয়মস, রাদৱানস্কা মায়থীখ্রে, নিশিকোরি, সোঙ্গা মায় পাকখ্রে



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৭ ঃ

মরিরক গোল্ড মেদল লৌখ্রবা ভেনস ৱিল্লিয়মসনা রিও ওলেম্পিক্সকী নুপীগী সিঙ্গলসকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা লৈহৌখিবগা লোয়ননা অগনিজকা রাদৱানস্কাসু কম্পিটিসন অসিদগী মপান থোকখ্রে।

অমেরিকাগী মঙাশুবা সীদ অমদি কুমজা ২০০২ গী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন ভেনস ৱিল্লিয়মসনা বেলজিয়মগী ক্রিষ্টেন ফ্লিপকেন্সকী মখুৎতা ৪-৬, ৬-৩, ৭-৬ (৭/৫) দা সেন্টর কোর্টতা পুং অহুম চুপ্পা চথখিবা মেচ অদুদা মায়থীহৌখি। মশাগী চহী ৩৬ শুরবী ভেনস ৱিল্লিয়মসনা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াবা খ্বাইদগী অহল ওইরবী নুপী প্লেয়র অমসু ওইরিবনি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচ অমদা মরিশুবা সীদেদ রাদৱানস্কানা চিনাগী ৱর্ল্ডগী নম্বর ৬৩ দা লৈরিবী ঝেং সাইসাইগী মখুৎতা ৬-৪, ৭-৫ দা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। চিনাগী নম্বর ৱান ওইরিবী ঝাং শুয়াইনা ১২শুবা সীদ স্বিচকী টিমিয়া বাকসিঞ্জস্কিবু ৬-৭ (৪/৭), ৬-৪, ৭-৬ (৯/৭) তা মায়থীবা পীখি। ইটালিগী তরুকশুবা সীদ অমদি কুমজা ২০১৫ গী য়ু এস ওপনগী রন্নরস-অপ রোবার্টা ভিন্সিনা স্লোভাকিয়াগী অন্না কারোলিনা স্কিমিদলোভাগী মখুৎতা ৭-৫, ৬-৪ দা মায়থীহৌখি।

জপানগী মরিশুবা সীদ অমদি কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী ক্বার্টর ফাইনেলিষ্ট কৈ নিশিকোরিনা স্পানিসকি লেফট-হেন্দর অলবার্ট রামোস-ভিনোলাসপু ৬-২, ৬-৪ দা মায়থীবা পীখি। নিশিকোরিনা মথংগী মেচতা অষ্ট্রেলিয়াগী জোন মিলমেনগা মায়োক্নদুনা শান্নগনি। মঙাশুবা সীদ জো ৱাইল্ফ্রাইদ সোঙ্গানা টুনিসিয়াগী মালেক জাজিরিবু ৪-৬, ৭-৫, ৬-৩ দা মায়থীবা পীখি।

নুপীগী দবলসতা চহী ২০ গী মতুংদা অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্তা শান্নরকখিবী মশাগী চহী ৩৫ শুরবী মার্টিনা হিঙ্গিসনা মায় পাক্তুনা সেকেন্দ রাউন্দদা চঙখ্রে। মহাক্না বাসিঞ্জস্কিগা জুরা শেমদুনা ওষ্ট্রেলিয়াগী সমান্থা ষ্টোসু অমদি দারিয়া গাবরিলোভাবু ৬-৪, ৪-৬, ৬-২ দা মায়থীবা পীখি।

দিফেন্দিং চেম্পিয়ন এন্দি মরে অমদি সেরেনা ৱিল্লিয়মস, টোপ সীদ নোভাক জোকোভিচ অমদি কুমজা ২০০৮ গী চেম্পিয়ন রফেল নাদালনা মখোয়গী কেম্পেনশিং নোংমাইজিং নুমিৎতগী চঙশিনবা হৌখ্রে।

সানিয়া মির্জা অমসুং প্রার্থানা অনীনা রিও ওলেম্পিক গেমসগী নুপীগী দবলস ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা মায়থীদুনা কম্পিটিসন অসিদগী মপান থোকখিদুনা মেদলগী আশা কায়খ্রে।

ইন্দিয়াগী জুরা সানিয়া মির্জা অমদি প্রার্থানা থোম্বারে অনীনা চাইনিজগী জুরা শুয়াই ঝাং অমদি শুয়াই পেং অনীগী মখুৎতা মরাথোন ওইনা পুং অনীগা মিনিট ৪৪ চঙনা শান্নখিবা মেচ অদুদা ৬-৭, ৭-৫, ৭-৫ দা মায়থীহৌখি।

অহানবা সেটতা টিম অনীনা অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নরকখ্রবসু টাই ব্রেক তাখি। টাই ব্রেক অদুদা ঝাং অমদি পেংনা নিংথিনা শান্নরক্তুনা ৭-৬ তা সেট অদু মায় পাকখি। অনীশুবা সেটতা মির্জা অমদি থোম্বারেনা চাইনিজগী জুরাবু গেমগী অঙনবা শরুক্তা নক্সাৎতুনা শান্নরকখ্রবসু চাইনিজ অসিনা ২-০ দা লমজিংখি। মখা তানা অমুকসু ৩-১ দা লৈখ্রবা মতুং মখোয়গী সার্ভ অদুবু ইন্দিয়াগী জুরানা নক্সাৎখিদুনা টিম অনীমক্না ৫-৫ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মির্জা-থোম্বারেনা অথুবদা নিংথিনা খুৎ হল্লকখি অমদি সেকেন্দ সেট অদু লমজিংননবা হোৎনরকখি। অদুবু সেট অদু টাই ব্রেক তাখি। দিসাইদিংদা ইন্দিয়নগী জুরা অসিনা অঙনবা শরুক্তা ১-৩ দা নেম্না লৈখ্রবসু অথুবদা ফোর্সফুল ওইনা শান্নরক্তুনা ৩-৩ দা চাং মান্ননা লৈখি।

মাপনশুবা গেমদা ইন্দিয়ানা চাইনাগী মায়কৈদা সার্ভ তৌননবা খুদোংচাবা পীখিদুনা ৫-৪ দা লৈখি। ইন্দিয়ানা অমুক হন্না খুৎ হল্লকখিদুনা ৫-৫ দা অমুক লৈখিবগা লোয়ননা চাইনিজনা সেট অদু ৭-৫ দা মায় পাকখি। অহুমশুবা সেটতসু চাইনিজনা অকনবা মওংদা শান্নরক্তুনা ইন্দিয়াবু নমথননবা হোৎনরকখি। মখোয়না শান্নরকখিবা গেম অদুদা মির্জা অমদি থোম্বারেনা খুৎ হনবা ঙমখিদবদগী ৭-৫ দা মায়থীখি।

নুমিৎ অসিগী অঙনবা মতমদা শান্নখিবা নুপাগী দবলসতা লীএন্দর পেস অমদি রোহন বোপানানা মায়থীদুনা লৈহৌবদগী মেদল লৌগনি হায়না তৌরম্বা চাউরবা আশা অদু অরেম্বদা তাখি। নুপাগী দবলস ইভেন্টকী অহানবা রাউন্দদা পোলেন্দগী লুকাস কুবোট্ট অমদি মার্সিন মাটকোস্কিগী মখুৎতা লীএন্দর পেস অমদি রোহন বোপানানা ৪-৬, ৬-৭(৬) তা মায়থীহৌদুনা গেমস অসিদগী ঙন্না মপান থোকখ্রে।

# নুপীগী শুটিংদা চিনানা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৭ ঃ

ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চথবা হৌখ্রবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা চিনাগী দু লি অমসুং য়ি সিলিংনা মথংশিংনা সিলভর অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখ্রে।

অমেরিকাগী নহা ওইরিবী মশাগী চহী ১৯ শুরবী ভির্জিনিয়া থ্রাশরনা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা অপুনবা পোইন্ট ২০৮ ফংদুনা রিও ওলেম্পিক্সকী অহানবা গোল্ড মেদল লৌখি। কুমজা ২০০৫ কী ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অমদি কুমজা ২০০৪ এথেন্স অমদি ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন চিনাগী দু লিনা সিলভর মেদল ফংখি। মহাক্কী কম্পেট্রৌইট দিফেন্দিং চেম্পিয়ন দু য়ি শিলিংনা ব্রোঞ্চ মেদল ফংখি।

দিওমোরো শুটিং ভেন্যুদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুদা ভির্জিনিয়া থ্রাশরনা লৌখিবা গোল্ড মেদল অদুনা মহাক্কী অহানবা মেজর ইন্টনেসনেলগী মায় পাকপসু ওইখি। অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্স গেমস শরুক য়ারিবী থ্রাশরনা মহাক্কী মায় পাকপগী গোল্ড মেদল অদু ইন্টরনেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটি (আই ও সি) গী প্রসিদেন্ট থোমাস বাচনা খুৎশিন্নখি।

ব্রাজিলিয়ন মরাথোন রন্নর ভান্দরলৈ কোরদৈরোনা ইরাই নুমিৎতা রিও গেমসগী ওপনিং সেরিমোনিগী মনুং চন্না ওলেম্পিক্সকী মৈরা চুখৎখিবা মতুং পুং ১১ লৈরগা থ্রাশরনা মহাক্কী মায় পাকপগী গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখিবনি।

কম্পিটিসন অদুদা দোপিং স্কেন্দলগী মরুমদগী অয়াবা ফংদুনা শরুক য়ারকখিবী রসিয়াগী দারিয়া ভদোভিনানা মাঙজিল থানা অহৌবদা চৎখ্রবসসু মনিং হল্লকখিদুনা মঙাশুবা পোজিসন্দা লৈখি।

য়িনা কুমজা ২০১২ গী টাইটল অদু মায় পাক্না দিফেন্দ তৌনবা ইচঙ থৌনা চঙশিল্লকখ্রবসু শার্প শুটর থ্রাশরগী মমাঙ থানা চৎপা ঙমখিদে। অমেরিকান অসিনা চিনাগী অতোপ্পা প্লেয়রগা কৃক কৃক ইন্ননা চৎখ্রবসু থ্রাশরনা অরোইবা শুটতা মশক থোক্না কাপখিদুনা দুনা ফংখিবা অপুনবা পোইন্ট ২০৭ তগী পোইন্ট অমখক হেন্দুনা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি।

খ্বাইদগী চাউনা ইভেন্ট অসিদা শিংনবা অমা ওইগদৌরিবা সার্বিয়াগী দো এন্দ্রেয় অরসোভিক অমদি ইভানা মাকসোসোভিকতি ক্বালিফাইয়িংদা লোইনা কাপখিবদগী অঙকপা মওংদা ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌখি।

# জিটু রাই মেদল লৌবা ঙমখিদ্রে, নিপানশুবা পোজিসন্দা লৈখি



রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ০৭ ঃ

ষ্টার ইন্দিয়ন শুটর জিটু রাইনা রিও ওলেম্পিক্সকী থাংজ নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টল ফাইনেলদা নেম্না নিপানশুবা মফমদা লৈখিদুনা মেদলগী আশা মাঙখ্রে।

কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওন এসিয়ন গেমসদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবা অর্মিমেন জিটু রাইনা অপুনবা ৭৮.৭ কাপ্তুনা ফাইনেলিষ্ট নিপান লৈবা ফিল্ডদা নিপানশুবা তাদুনা ফাইনেল রাউন্দদগী মপান থোকখিবা অহানবা শুটর ওইখি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা শুটর অসিনা অহৌবদা অনেম্বা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা হৌরকখি অমদি নিংথিনা খুৎ হল্লকপা ঙমদবদগী অকনবা লম্বানবগী লাইন-অপ্তা খোঙ থাংজিনবা ঙমখিদে। লাইন-অপ্তা য়াওরিবা শুটরশিংদি হাওং জুঅন ভিন, পাং ৱৈ, রু ফেলিপ অলমৈদা, টুজিনস্কি জুরাজ, জিন জোনগোহ, গোন্টারোভ ভলাদিমিরা অমদি গিওর্দোনা গিয়ুসেপ্পেনি।

জিটু রাইনা অহুম্লক কাপখ্রবা মতুংদা অপুনবা পোইন্ট ২৮.৯ য়ৌবা ঙমখিদে। মহাক্না মখা তানা কাপ্পদা অশোনবা পার্ফোর্মেন্স পীদুনা ৯.৭ কাপ্তুনা খ্বাইদগী মনিংদা লৈখি। মহাক্না ফাইনেল রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনবা ঙম্নবা ১০.১ কাপখ্রবসু মদুনা মতেং পাংবা ঙমখিদবদগী ফাইনেল রাউন্দদগী অহানবা মপান থোকখিবা শুটর ওইখি।

ইন্দিয়াগী মশক নাইরবা শুটর জিটু রাইনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্স গেমসগী নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টল ইভেন্টতা মেদল অমত্তা লৌবা ঙমদনা লৈহৌরে।

অমরোমদা নুপাগী মিটর ১০ গী এয়র পিষ্টল ইভেন্টকী থাংজ নুমিৎতা শান্নখিবা মেচতা অর্মিমেন জিটু রাইনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। অদুগা অতোপ্পা ইন্দিয়াগী শুটর গুরপ্রিট সিংহদি হান্ননা ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌখিবনি।

ওলেম্পিক শুটিং রেঞ্জদা পাঙথোকখিবা ইভেন্ট অদুগী ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা জিটু রাইনা অপুনবা পোইন্ট ৫৮০ কাপ্তুনা তরুকশুবা পোজিসন তাখিদুনা ফাইনেলগীদমক ক্বালিফাই ওইখি। অদুগা গুরপ্রিট সিংহদি পোইন্ট ৫৭৬ খক্তমক লৌবা ঙমখিদুনা ২০শুবা মফমদা লৈখিবদগী ফাইনেল চঙবা ঙমহৌখিদে।

চিনাগী পাং ৱৈনা ক্বালিফাইয়িং রাউন্দদা পোইন্ট ৫৯০ ফংদুনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি অদুগা সাউথ কোরিয়াগী জিন জোভোহনা পোইন্ট ৫৮৪ ফংদুনা অনীশুবা মফমদা লৈখি।

জিটু রাইনা মিটর ৫০ গী পিষ্টল ইভেন্টতা ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন ওইবদা নত্তনা রিওদসু ইভেন্ট অসিমক্তদা শরুক য়াদুনা মেদল লৌনবা চাউরবা আশা থল্লিবনি। জিটু রাইনা কুমজা ২০১৪ গী ইঞ্চিওনদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন গেমসদা গোল্ড অমদি ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবদা নত্তনা কুমজা ২০১৪ গী গ্লাসগো কম্মনৱেল্‌ঠ গেমসদা গোল্ড মেদল, ৱর্ল্ড কপতা গোল্ড মেদল অনী, সিলভর মেদল অহুম, ব্রোঞ্জ মেদল অমা অমদি কুমজা ২০০৪ গী গ্রানাদাদা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল লৌখি।